হুইয়েন লানপাউ

সেন্ট্রেল এগ্রিকলচরেল য়ুনিভর্সিটি (সী এ য়ু) ইম্ফালগী এদমিনিষ্ট্রেটিব ব্লোক শঙ্গাবা থৌরম শরুক য়াবা লাকখিবা চীফ মিনিষ্টরদা বুকে খুদোল তম্বগী শক্তম

লামায় ৩

অথোকপম উমাবতিনা ইবা *থম্মোয়নুংগী থম্মোয়সিদা* (শৈরেং) অমসুং অবুজম ইবোপিশকনা ইবা *অঙাংশিংগী খোরিরোল ফিদম* (ৱারেং) ফোঙবগী শক্তম

লামায় ৩

নোং লেপ্তুনা চুবনা মরম ওইরগা তমেংলোং দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা বরাক থোংখোঙ মনাক্কী সিগুইলোং খুলদা লেন্দস্লাইদ থোক্তুনা য়ুম-কৈ মাঙ তাকহনখিবগী শক্তম

লামায় ১

নুমিৎ, থাবান চপ মান্নবা মওংদা কলেন্দর ফোঙহন্ননবা থৌদাং লৌরিবা কংলৈপাক কলেন্দর বোর্দকী ৯শুবা মপোক কুমওন হৌদোকপগী মৈরা চুখৎপগী শক্তম

লামায় ৩

Vol. 41, Issue No.072 নিংথৌকাবা, ইঙা ১১ নি পানবা অপুনবা লামায় মশিং ১২ HUEIYEN LANPAO, Monday, June 05, 2017, Imphal www.hueiyenlanpao.com RNI No. 40746/1978 ₹ 4.50

হিটলরনা মমা-মচা হাৎপনি হায়বা য়াজখ্রে : পুলিস

‘মশা ৱাই শংদ্রবী সোরাম মোনিকা হাৎত্রিঙৈগী মমাঙদা সনা মুন্নবা মহাক্কী মমা লক্ষিপিয়ারী হান্না হাৎখি’

ইম্ফাল, জুন ০৪ (ঐচ এন এস): উরিপোক বাচস্পতি মনিং লৈকায়দা হন্দক্তা মশা ৱাই শংদ্রবী মোনিকা সোরাম (৩০) অমসুং মহাক্কী অপোকপী মমা সোরাম ওংবী লক্ষিপিয়ারী (৬১) হাৎখিবদু খোংবান্তাবম হিটলরননি হায়না মশানা য়াজখ্রে হায়না ইম্ফাল ৱেষ্টকী এস পি থেমথিংনা খুৎয়েক পীদুনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

এস পিগী চেরোল অসিনা হায়, ইম্ফাল পুলিস ষ্টেসননা লৌখৎপা এফ আই আর নম্বর ১৬৯ (৫) ২০১৭, অন্দর সেক্সন ৩০২/৪৪৯/১২০-বি, আই পি সীগী মতুংইন্না মমা-মচা হাৎপদা চেন্নরিবা খোংবান্তাবম হিটলর পুলিস কষ্টদি রিমান্দ লৌদুনা লৈরি। মহাকপু ৱাহং-পাউহংবদা মীহাৎ অদু মহাক্না চথখিবনি হায়না হায়দোরকখিবনি। কেস অসি খুমাঙ চাউশিন্না থিজিল্লি।

তমথীরবা মীহাৎ-মীপুনগী থৌদোক অদুগী মতাংদা পুলিসনা মপুং ফাবা ঈ-পাউ অমত্তা মিদিয়াশিংদা ফোঙদোকপা লৈত্রি। অদুমকপু থাজবা য়াবা মফমদগী ফংবা পাউগী মতুংইন্না হিটলরনা মশা ৱাই শংদ্রবী মোনিকা থাঙনা লেন্দুনা হাৎত্রিঙৈগী মমাঙদা মহাক্কী অপোকপী মমা হান্না হাৎখি হায়না চার্জ তৌরি।

পাউ অসিনা মখা তানা হায়, মশুনুপী ট্যুসন তৌবা থিল্লুরবা তুংদা সোরাম ওংবী লক্ষিপিয়ারী মপুরোইবগী মিং তোম্বা ময়ুমদা হল্লকখি। মহাক্না ময়ুমদা হেক হল্লকপগা মী চিকপগী খুদোংচাবা লৌরগা হিটলরনা মশক লোৎলগা চঙশিল্লকখি। য়ুম অদুদা লৈরম্বা থাঙ অমা মহাক্না লৌখৎলগা লক্ষিপিয়ারীগী মঙকশমদা লাউ খোংদনবা থমখি। অদুবু লক্ষিপিয়ারীনা অফিং-অফাই ওইনা খোনফম কায়না লাউরকপদগী থাঙনা লেন্দুনা হাৎখিবনি হায়না মরাল শীরি।

পাউ অসিনা মখা তানা হায়, মমানা খোনফম কায়না লাউখিবা খোঞ্জেলদু তাবদা ফমুংদা তুমদুনা লৈখিবী মোনিকা চেন্থোরকখি। মহাক্না চেন্থোরকপদা অপোকপী লৈমায়দা ঈগী ঈপাক্তা ঈরাক্লরগা লৈরম্বা উখি। মহাকসু পাখৎতুনা ময়াম তাননবা লাউরগা য়ুম মনুংদা চেনশিনখি। তাঞ্জা অদুদা হিটলরনা মহাকপু তানরগা থাঙনা লেন্দুনা হাৎখিবনি। মহাকপু হাৎত্রিঙৈগী মমাঙদা ঙাইহাক ইন্নকাওনবা তৌবদা হিটলরগী মশম মোনিকানা ফোইখি।

লৈখিদ্রবী মোনিকাগী মখুৎতা পল্লম্বা অশাংবা শম অদু কনাগীনো হায়বা খঙদোক্লনবগীদমক মাঙজৌননা পুলিসনা ফোরেন্সিক সাইন্স লেবোরেটরিদা হিটলরগী মশমগা চানব্রা হায়বা য়েংনবা থাখ্রে। মদুগী পাউখুম হৌজিক ফাওবদি লাক্ত্রি।

মসিগীসু মথক্তা হিটলরনা নুমিৎ অদুদা থৌখিবা টাটা এ সী ঈ জিপ অদুগী থোঙ ময়াদা পল্লম্বা ঈ অদু মীওইবগীরা হায়বা খঙদোক্লনবা থাখিবা সেম্পলশিংগী রিপোর্টসু পুলিসতা য়ৌরক্ত্রি। হায়রিবা রিপোর্টশিং অদু য়ৌরক্লবা তুংদা মীহাৎ অসি হিটলরনা চথখিবনি হায়বা কনফর্ম তৌগনি অমসুং চার্জ সীট তৌনবগী থবক লৌখৎপা ঙম্লগনি হায়রি।

পুলিসতগী ফংবা পাউ অমনা হায়, ঙসি অয়ুক ফাওবদা চথখিবা ৱাহং-পাউহংদদি মীহাৎশিং অদু মহাক্না চথবনি হায়বা য়াজরগসু মীহাৎ অদু মমাঙথক্তা মোনিকাগা মহাক্না কোইনরিঙৈগী মতমদা থোকখিবা থৌদোক অদুগা করিমত্তা মরী লৈনদে হায়না ফোঙদোকই হায়রি।

হন্দক মরক লুপা লিশিং ৬৭ রোম মীগী শোকচিল্লুবনা মরম ওইরদুনা শেনফম অদু শীংননবগীদমক সোরাম ওংবী লক্ষিপিয়ারীগী মঙক্তা শী হায়না হান্না খঙবা লিক অদু থৎনবা হোৎনবদা থৌদোক অদু থোকখিবনি হায়না পাউখুম পী হায়রি।

অদুমকপু পুলিসকী ইনভেষ্টিগেসন মতুংইন্নদি হিটলরগা মোনিকাগা মতম অমদা মরী লৈনরম্মী। মোনিকানা অতোপ্পা নুপাদা ময়ুম পানখিবদা মহাক শাথীনা নীংবা কায়খি হায়না হিটলরনা পুলিসতা ফোঙদোকখিবা লৈখি হায়রি।

অমরোমদা, মীহাৎ অসিগী মতাংদা ঙসি নুংথিল পুং ২ রোম তাবা মতমদা উরিপোক খুমন্থেম লৈকায়দা লৈবা খোংবানতাবম হিটলরগী য়ুম খঙহৌদনা মীয়াম হৌরক্তুনা থুগাইদুনা অমাঙ অতা থোকহনখ্রে। মী কুংনা লৈবা মরমনা য়ুমদি মৈ থাখিদে। পুলিসনা মীয়াম অদু তানখায়নবা হোৎনবদা টিয়র গ্যাসনচিংবা কাপখি। মদুদা নুপীমচা অমা পাখৎতুনা ৱান্থখি হায়রি।

মীয়াম অদু পুলিসনা তানখায়খ্রবা মতুংদা ইম্ফাল পুলিসনা মফম অদুদা কনাগুম্বা মীওই অমত্তা চঙহন্দনা ঙাক শেনবগী থবক চথুরি।

মরকসিদা ঙসি অয়ুক হিটলরনা হায়দোরকপগী মতুং ইন্না লৈখিদ্রবা মোনিকাগী য়ুমগী নোংপোক থংবদা লৈবা থংনবা য়ুমগী টোইলেট মনাক্তগী মহাক্না শীজিন্নবা মাস্ক অমগা মহাক্কী মোবাইল অমগা পুলিস লাক্লগা লৌখৎখি হায়রি।

অমরোমদা, মোনিকা অমদি লক্ষিপিয়ারি মীশিংগী মতাংদা শেমখিবা জে এ সীগী কনভেনর ঐচ বিক্রমনা ফোঙদোরকপদা, য়াম্না তমথিবা মওংদা …*মখা লামায় ৩ কলম ৬*

অ ঈং-অশাগী পাউ

মফম	খ্বাইদগী শাবা	খ্বাইদগী ঈংবা
বিষ্ণুপুর	এন এ °C	এন এ °C
চান্দেল	৩২.৯৮ °C	২৩.০১ °C
সীসীপুর	২৭.০৭ °C	১৮.০৮ °C
ইম্ফাল	২৭.৫৫ °C	১৯.৭০ °C
সেনাপতি	২৪.৭২ °C	১৯.৬২ °C
তমেংলোং	২৭.১৭ °C	২০.৬৮ °C
থৌবাল	এন এ °C	এন এ °C
উখ্রুল	২০.৩০ °C	১৪.৯৮ °C
মণিপুর	৩২.৯৮ °C	১৪.৯৮ °C

মণিপুরগী নোংজুগী চাং : ৬.৫৮ এম এম
নুমিৎ থোকপা : অয়ুক পুং ৪.২৪
নুমিৎ তাবা : নুংথিল পুং ৬.০১
দিরেক্টোরেট ওফ ইনভাইরোনমেন্ট,জি ও এম

য়ূম ১৩ চেন্থখ্রে

ইম্ফাল, জুন ০৪ : হৌখিবা নুমিৎ খরনিদা মণিপুরগী মফম অয়াম্বদা নোং লেপ্তুনা চুবদগী তমেংলোং দিষ্ট্রিক্ট অমদি নোনে দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চন্না লৈবা মফম কয়ামরুমদা লেন্দস্লাইদ থোক্লে। থৌদোকশিং অদুদা য়ূম ৭, হোষ্টেল ২ অমসুং রেমা পব্লিক স্কুল য়াওনা চেন্থখ্রে হায়রি। প্রেসনা ফংবা পাউ মতুং ইন্না ঙসি অয়ুক অঙনবদা নোনে দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা খুমজি লুখন্বী পার্ট টুদা লৈবা য়ূম তরেৎ, স্কুল অমা, হোষ্টেল ২ য়াওনা মফম অদুদা লৈবা রেলৱেগী টনেল হুৎপগী ৱাল নীংখায়রক্তুনা লৈনাংগা লোয়ননা তকথরকপদগী অমাঙ-অতা থোকপনি। মসিদা নৎতনা লৌ পরি ১০ অমসু লেন্দস্লাইদ অদুনা অমাঙ-অতা থোকহনখ্রে হায়রি। থৌদোক অদুদা মীদি অশোক-অপন য়াওখিদে হায়রি। মসিদা নত্তনা তমেংলোং দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা বরাক থোং মনাক্তা লৈবা সিবিলোং এরিয়াদসু য়ূম অহুম লেন্দস্লাইদ তৌবদগী অমাং অতা থোকখ্রে হায়রি। থৌদোক থোকফম অদুদা নোনে দিষ্ট্রিক্টকী দি সী মশামক চৎতুনা অমাং অতা থোক্লিবা মফম অদু কোয়না চৎতুনা য়েংশিনখ্রে হায়রি।

হৈদোক্তুনা মাঙহনখ্রে

ইম্ফাল, জুন ০৪ : চুড়াচান্দপুর দিষ্ট্রিক্ট পুলিসনা ঙসি চুড়াচান্দপুরগী তোঙান তোঙানবা মফমদগী য়ুঙৌ লিটর ৬০০ রোম ফাগৎলে হায়রি। চুড়াচান্দপুর পুলিসকী ও সী আর কে অনিল সিংহনা লুচিংবা কাঙবুনা ফাগৎলক্লবা য়ুঙৌশিং অদু ঙসি মীয়াম মমাঙদা হৈদোক্তুনা মাঙহনখি হায়রি। মণিপুর পুলিসকী দি জি পি এল এম খৌতেনা ময়াই কাবা চিঙ্গাকশিং য়োনবা ফাগৎনবা অকনবা ইন্সত্রক্সন পীখ্রবা মতুংদা চুড়াচান্দপুর পুলিসনা চুড়াচান্দপুরগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা ময়াই কাবা চিঙ্গাক য়োনবা অমদি শুংফমদগী ফাগৎলক্লবা য়ুঙৌ লিটর ৬০০ রোম অদু হৈদোক্তুনা মাঙহনখিবনি হায়রি।

গ্যাসকী পাউ লামায় ৩দা ফংবিগনি

নুপী লান্মীশিং লান য়াওহল্লগনি : জেনরেল

ন্যু দিল্লি, জুন ০৪ (এজেন্সী) : নুপা-নুপীগী মরক্তা লৈবা পল নমখায়রগা ইন্দিয়ন আর্মিদা নুপীশিং লান য়াওহন্নবা থৌরাং লৌখৎকদৌরি।

মালেমগী লৈবাক অয়াম্বনা নুপীশিংবু আর্মিদা অৱাংবা ফমথোল ফাওবা পায়হন্দুনা থবক তৌহনবা তারবসু লানফমদা থাজিনবদি পাক শন্না তৌনদ্রি। অদুবু ইন্দিয়ন আর্মিনা নুপীশিং লান চঙহন্নবগী মতাংদা অনৌবা থৌরাং অমা লৌখৎপা হৌরে হায়রি।

হীরম অসিগী মতাংদা জেনরেল ৱাৱটনা হায়খি, অথুবা মতমদা লান চঙবা ঙম্বা মিলিটরি পুলিস জৱান কয়া নুপীলক্তগী শেমগৎলগনি। মমাঙদা নুপী ওফিসরশিংবু আর্মিগী মেদিকেল, লিগেল, এদ্যুকেস্নেল, সিগ্নেল অমদি এঞ্জিনিয়ারিং ৱিংদা মথৌ তৌহন্দুনা লাকখি।

লান্মীগী মকোক অসিনা হায়খি, লান চঙবা ঙমগদবা নুপী জৱান কয়া রিক্রুইট তৌনবা সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্টকী মরী লৈনবা ওফিসলশিংগা ৱারী শানবা হৌরে। হৌজিক ফাওবদা নুপীশিংবু কোম্বেট রোল লৌহল্লিবা লৈবাকশিংদি জর্মনি, ওষ্ট্রেলিয়া, কেনাদা, য়ুনাইটেদ ষ্টেটস, বৃটেন, দেনমার্ক, ফিনলেন্দ, ফ্রান্স, নোর্ৱে, স্বিদেন অমসুং ইজরেলনি।

মমাঙ চহীদা ইন্দিয়ন এয়র ফোর্স (আই এ এফ) না নুপী ফাইটর পাইলোট অহুম মথৌ তৌহন্দুনা অনৌবা পুৱারী অমা শেম্বা লৈখ্রবনি। চাংয়েং ওইনা নুপীশিংগী ফাইটিং য়ুনিট অমা হাংদোক্লবা গভর্ণমেন্টনা ফীরেপ লৌখ্রবা মতুংদা অনৌবা থৌরাং অদু পায়খৎখিবনি।

নুপী ফাইটর পাইলোট অহুম - অবানি চতুরবেদি, ভৱানা কান্তা অমসুং মোহনা সিংহনা হৌজিক-হৌজিক আই এ এফকী ফাইটর স্কৱাদ্রোনদা লৌরিবা থৌদাংগী মতাংদা কৃপ্না য়েংশিল্লবা মতুংদা পাক-শন্না নুপী ফাইটর পাইলোট কয়া লৌনবগী থবক পায়খৎপা হৌগনি হায়রি। *মখা লামায় ৩ কলম ৪*

চাউখৎ-থৌরাংগী খন্নবদা ওফিসলশিং শরুক য়াদবগী সী এম শাউখ্রে

ইম্ফাল, জুন ০৪ (ঐচ এন এস) : মণিপুর লৈঙাক্কী প্লান্নিং দিপার্টমেন্টনা শেম্বা ষ্টীয়ারিং কম্মিটিনা শীল্লগা দিভলপমেন্ট প্রাইওরিটি ওফ মণিপুর হায়বা হীরমদা নুমিৎ নীনি চুপ্পা ষ্টেটকী থাক্তা পাঙথোক্কদবা সেমিনর ঙসি রিমসগী জুবিলি হোলদা হৌদোকখ্রে।

চাউখৎ-থৌরাংগা মরী লৈনবা ৱাফম কয়া খন্নগদবা সেমিনর অসিদা শরুক য়াননবা চেবাউ পীখ্রবা লৈঙাক্কী মকোক থোংবা ওফিসল কয়ানা থৌরম অসিদা শরুক য়াখিদবদা মণিপুরগী চীফ মিনিষ্টর নোংথোম্বম বিরেন শাউখ্রে।

সেমিনর অদু হৌদোকপগী থৌরমদা চীফ গেষ্ট ওইখিবা চীফ মিনিষ্টর নোংথোম্বম বিরেন্না হায়খি, লমদম অসিদা লৈরিবা তোঙান তোঙানবা লমশিংদা মায় পাল্লবা অমদি খঙলবা মীওইশিংবু মখোয়গী ৱাখল্লোনশিং অদু পুন্না খঙমিন্নরগা কমদৌনা খুন্নাই অসি মীপান তাংহল্লোইদগে, ষ্টেট অসি কমদৌনা তংদুলৈতোনা লৈবা য়াগদগে, লাইরিক লাইশু হৈরবা থবক ফঙদ্রিবা নহাশিংগীদমক করি থৌশিল তৌবা য়াবগে হায়বা ৱাফমশিং খন্ননবা ঙসিগী সেমিনর অসি পাঙথোকপনি। অসিগুম্লবা চাউখৎ-থৌরাংগী মতাংদা খন্নগদবা থৌরম অসিদা শরুক য়ারনবা মাঙজৌননা চেবাউ পীখ্রবা লৈঙাক্কী ওফিসলশিংনা মপুং ফানা শরুক য়াদবসি পেন্নিংঙাই ওইদে। অসিগুম্লবা খন্ননৈনবগী থৌরম অসিদা লাক্তবা লৈঙাক্কী ওফিসলশিং এক্সপ্লেনেসন কোল তৌরগনি।

THE 2-DAY STATE LEVEL SEMI
On
DEVEL PRIORITY O

মহাক্না মখা তানা হায়খি, লমদম অসিগী ওইরক্লিবা ফিভমশিংগী মতাংদা ক্রিটিসিজম পঙতৌদা তৌবা মীওই কয়া লৈ। ক্রিটিসিজম তৌরগা শোয়রিবশিংগী সোল্যুসন অসিদি করম হায়না পুথোক্কনি হায়বদি খন্নদে। অসিগুম্বা মতৌ অসি লাকপদগী লৈঙাক অসিনা সেমিনর অমা শীন্দুনা লৈরিবা প্রোব্লেমশিংগী সোল্যুসন পুথোক্লনবগীদমক শীনবনি।

ভোট থাদবা মীনা লৈঙাক চৈবগী হক লৈতে। লমদম অসিগী শেল-থুমগী ফিভম মতৌ করম্না …*মখা লামায় ৩ কলম ৪*

ইরোংদা ময়াম্বনা মনাওনুপা থাঙনা য়ান্দুনা হাৎখ্রে

ইম্ফাল, জুন ০৪ (ঐচ এন এস) : ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী ময়াং ইম্ফাল পুলিসনা কোনবা ইরোং চেশোবা ময়ায় লৈকায়দা হেক পোকমিন্নবা ময়াম্বনা মনাওনুপা থাঙনা য়ান্দুনা হাৎখ্রে।

থৌদোক অসি ঙরাং নুমিদাং পুং ৯.৩০ রোম তাবদা থোকখিবনি। লৈখিদ্রবা মনাওনুপা অদুগী মমিংনা এম দি ফিরোজ খান (৩৯) কৌই। মহাকপু থাঙনা য়ান্দুনা হাৎলিবা ময়াম্বদু ইরোং চেশোবা গ্রাম পঞ্চায়টকী হান্নগী প্রধাননি। মমিংনা এম দি লটিফ (৪৫) কৌই। মখোয় অনী ইরোং চেশোবা ময়ায় লৈকায়দগী লৈখিদ্রবা এম দি অমুগী মচানি হায়রি। লৈখিদ্রবা এম দি ফিরোজ খান অনীশুবা মণিপুর রাইফলসকী রাইফলমেননি।

থোকখিবা থৌদোক অদুগী মতাংদা পুলিসতগী ফংবা পাউনা হায়, ঙরাং নুমিদাং মচিন-মনাও য়াম্না কন্না নিংঙাই শংদান্নবগী থৌদোক থোকখি। নিংঙাই শংদান্নবা অদু খজিত্তুং ঈংথরক্লবা মতমদা ময়াম্বনা মনাওনুপাগী ময়ুমদা চঙশিল্লক্লগা অথৌবা থাঙ অমনা মঙকশম, মখুৎ অমদি হকচাংগী মফম কয়ামরুমদা য়ানখি। অশোকপা অদুনা মরম ওইরগা মহাক হোস্পিটাল য়ৌবা নংদনা লৈখিদবনি। মনাওনুপা হাৎপদা চেন্নবা ময়াম্বা পুলিসনা ফারে।

নেসনল হায়ৱে থিংবা হৌখ্রে

ইম্ফাল, জুন ০৪ (ঐচ এন এস) : থাংজ নুমিৎকী নুংথিল পুং ২.১৫ তাবদা মোরেদগী কিলোমিটর ৭ লাপ্পা নেসনেল হায়ৱেদা বোম পোকখাইবগী থৌদোক্তা অসাম রাইফলসকী পার্সনেল য়াওনা মীওই কয়া অশোক অপন নংখিবগী থৌওংবু য়ানিংদবা ফোঙদোকপা ওইনা ঙসি অহিং নোংয়াইদগী হয়েং অহিং নোংয়াই ফাওবা নেসনেল হায়ৱে থিংবগী খোঙজং …*মখা লামায় ৩ কলম ৪*

শিন্মী হাৎপশিং চৈরাক পীদবা য়ারোই : মাওইষ্ট

ইম্ফাল, জুন ০৪ : শিন্মী হাৎপশিং চৈরাক পীদবা য়ারোই হায়না মাওইষ্ট কম্যুনিষ্ট পার্টি মণিপুরগী ষ্টেন্দিং কম্মিটিগী কোওর্দিনেটর কিয়োংহন মঙাংনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, মোরেদা য়েলহৌমী শিন্মী নুপী অমা হাৎপদা চেন্নবা মীহাৎপশিং অদু ইন্দিয়ন আর্মি কেম্প মনুংদা লৈবনি হায়বসি মীয়াম হুপ্না খঙই। মখোয়শিং অদু বর্মিজ রিফ্যুজী হায়বদি মীতোপশিংনি। ক্বাথাদা সনামহী লাইনিং চৎপশিংগী উমংলাই হরাওবগী থৌরমদা বোম পোকখায়হনবা অমদি য়েলহৌমী শিন্মী অমা হাৎলকপগী ৱাথোক থিজিন্নবা মণিপুর লৈঙাক্না ইনক্বারি কম্মিটি অমা শেল্লকপসি মাওইষ্ট কম্যুনিষ্ট পার্টি মণিপুরনা তরাম্না ওকই। মরাল লৈবশিং চৈরাক পীদ্রি ফাওবা মীয়ামগী থম্মোয়দি ঈংথহনবা ঙল্লোই। ইনক্বারি কম্মিটি শেম্বা হায়বসি ইনিসিএটিবনি, সোল্যুসনদি নত্তে। মসিদি শুপ্নগী ৱারোইশিন অমা পুরক্লবগী খোঙকাপ অমখক্তনি। মরম অদুনা থাংলিবা খোঙথাং অসিবুদি লূপনা তরাম্না ওকই। অদুমকপু মরাল লৈবশিংদি ইন্দিয়ন আর্মি কেম্পদা মচীঞ্জাক চাদুনা লৈরিবনিনা মণিপুর মীয়াম অমদি লূপ অসিনা পেন্থোকপা তৌদে। মথং মথং…

পার্সনেলশিংদা চথরকখিবা বোমগী এটেক ক্লেম তৌরকখ্রে

ইম্ফাল, জুন ০৪ : ইম্ফাল-মোরে লম্বীগী মোঞ্জাং খুল মনাক্তা থা অসিগী ৩গী নুংথিল পুং ২.১৫ রোম তাবদা বোম পোকখায়হন্দুনা ১১-এ আরগী পার্সনেলশিং শোকহনখিবা এটেক অদু পিপলস রেভল্যুসনরি আর্মি (পি এল এ)গী স্পেসল ৱারফ্যেরনা চথখিবনি হায়না ক্লেম তৌরক্লে।

আর পি এফকী এসিষ্টেন্ট পব্লিসিটি সেক্রেটরি বঙ্কিমনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, ইন্দিয়ানা মণিপুর লৌশিনখ্রবা মতুংদগী ঙসি ফাওবদা সিক্যুরিটি ফোর্সনা অফস্পাগী মরুমদা মীওই ৮৯৮৩ হাৎখ্রে। শাশিন্নবা খুৎ থোক্লবদা মীওই ১৫২৮ হাৎখি। নুপী কয়ামরুম ফল্লানখি, মীওই কয়া ফারগা মাঙহনখি। থৌদোকশিং অসি হ্যুমেন রাইটস খোঙ্গাওনবনি হায়বা মালেম শীনবা থুংনা খঙনরে।

এস এ আর এ সী অমসুং য়ু এনগী মীফম কয়াদা লৈবাক কয়ানা ইন্দিয়াগী মথক্তা মীওইবগী রাইট খোঙ্গাওনবগী ৱাফম থাঙ্গৎনরকপদা তৌদে হায়না চেল্লম্বদু হৌজিক্তি য়ারক্ত্রে। কুমজা ২০১৭কী মে ৪ দা য়ুনাইটেদ নেসন্স হ্যুমেন রাইটস কাউন্সিলগী মীফমদা অমুকসু ৱাফম অসি থাঙ্গৎনরকপদা চেনবা য়াদবদগী অফস্পা রিপিল তৌগদ্রা, তৌরোইদ্রা হায়বগী অচৌবা পোলিটিকেল দিবেট অমা তৌনখি হায়না মখা তারি। মথং মথং…

লুখ্রাবী মচা চিংলেম্বনা য়ু পি এস সীগী এগজাম থাবা ফাওবগী অচঙবা শেনফম পুথোক্কনি লাউথোকখ্রে

ইম্ফাল, জুন ০৪ (ঐচ এন এস) : মমা লুখ্রাবীনা ৱানা মহৈ তমহল্লক্তুনা হায়র সেকেন্দরি স্কুল লিভিং সর্টিফিকেট (ঐচ এস এস এল সী) এগজাম ২০১৭দা ১১শুবা পোজিসনদা লাকখ্রবা চিংলেম্বা চিংথামদা এম এল এ রঞ্জিৎ য়াওনা মীওই কয়ানা পূনশিন্নদুনা লুপা লাখ ৪.৮৮ তেংবাংখ্রে। চিংলেম্বনা য়ু পি এস সীগী এগজাম থাবা ফাওবদা চঙবা শেনফম এম এল এ রঞ্জিৎ অমদি কন্ট্রেক্টর ইবোচৌবনা পুথোক্লগনি হায়না লাউথোকখ্রে।

তাংজেং খুনৌ ষ্টার ক্লব, চজিং খুনৌ ৱেলফ্যের ক্লব অমদি কোরশান্তাবী সনসাইন ক্লবনা শীন্দুনা ঙসি চজিং খুনৌ কোরশান্তাবী ইবুধৌ সনথোঙ অপানবা লাইবুংদা পাঙথোকখিবা থৌরম অমদা টুয়েল্ব ক্লাসকী ১১শুবা পোজিসনদা লাকখিবা চিংলেম্বা চিংথামবু তরাম্না ওকপগা লোয়ননা শেনফমশিং অসি তেংবাংখিবনি। শেনফমশিং অসি ঙসি এম এল এ, কে রঞ্জিৎনা চিংলেম্বগী অপোকপী সোনিয়াদা খুৎশিন্নখি।

ঙসি তেংবাংখিবা শেনফমশিং অসিগী মনুংদা এম এল এ, কে রঞ্জিৎনা লুপা ৫০,০০০; এম এল এ হেনরিনা লুপা ২০,০০০; এম এল এ, ও কেনেদিনা লুপা ৩০,০০০; এম এল এ নামৈরাকপম লোকেননা লুপা ১০,০০০; এম এল এ, পি ব্রোজেননা লুপা ৫,০০০; এম এল এ গাইখাঙমনা লুপা ১০,০০০; মিরাবাইনা লুপা ১০,০০০; দি দি থাইসিনা লুপা ১০,০০০; এম এল এ, টি ঐচ লোকেশ্বরনা লুপা ১৫,০০০; এক্স মিনিষ্টর বিজয় কোইজমনা লুপা ১০,০০০; এম এল এ গোবিন্দাস কোন্থৌজমনা লুপা ৩০,০০০ নি। মখোয় খক্তা নৎতনা কন্ট্রেক্টর ওইবা মীওই কয়া লমদম অদোমগী জিলা পরিষদ মেম্বর, প্রধান, ক্লব অমদি লন্নাই মীওই কয়ানা পাংলকপা মতেংসু য়াওরি।

থৌরম অদুদা এম এল এ, কে রঞ্জিৎনা মহাক্কী থাগী তোলোপ্তুগী লুপা লিশিং ৫/৫ থা খুদিংগী ওইনা হন্দক্কী এম এল এগী টার্ম অসি ফাওবা চিংলেম্বগী একাউন্টতা হাপ্লগনি হায়না লাউথোকখি। মোংশাঙ্গৈদগী স্পেসল কন্ট্রেক্টর এন ইবোচৌবগী মায়কৈদগী চিংলেম্বা চিংথামনা পাস্লিবা আই এ এস ওইনবা য়ু পি এস সীগী এগজাম থাবা ফাওবগী অচঙবা শেনফম পুম্বা পুথোক্লগনি হায়না …*মখা লামায় ৩ কলম ২*

HL POLL
Q : Mama-macha hat-pa meeoi puthokpa ngamkhibasi policeki investigation hei sing-bagi khudamni loubra?
POLL CLOSES AT MIDNIGHT
Yes ☐ No ☐
Vote thadanabagidamak www.hueiyenlanpao.com da visit toubiyu

NGARANG GI RESULT

Q : HSLC Exam da leingakki maheishang amattagi maheiroi yao-raktabasi leingakna ekaifam thoktabra?

Yes 88% No 12%

অস! লোইরেহে!

টোপ্পরশিংসি মন্ত্রি ওইগে অমত্তা হায়দেকো, অঙকপনি…!

[illegible]



হঙ্গোয়বা অমা য়াওবজাৎলা…!

[illegible]

LOAN AVAILABLE
মখল খুদিংগী অপাম্বা 2 , 3 and 4 Wheelers Loan
Service Loan
Pension Loan
Gold Mortgage
T.V./Laptop Loan
হায়রিবা শিং অসি অরইবা মওংদা অমসুং খুদক্তা লৌবগী খুদোংচাবা পীজরি।
AREA COVERED:
Imphal East
Imphal West
Bishnupur
IMPHAL FINANCE CO-OP. THRIFT AND CREDIT SOCIETY LTD.
H.O. Lokleibung B.O. Paona International Market & Bishnupur Bazar
Please log on http://www.imphalfinancesociety.in.
HL-P/1593/14 May-14 June

ঈ-পাঙ্জা মরী লৈনবশিংগী টেলিফোন নম্বর ০৩৮৫-২৪৪৫১০৬, এদভর্টিজমেন্টগীদমক ০৩৮৫-২৪৪০৭৭১,২৪৪৫১০৪ অমসুং রিদরস ক্যের নম্বর +৯১-(০)-৯৭৭৪৮০৩১৪৫